# ট্রিপল টলাককী ভিক্টিমশিং লৈঙাক্লা মতেং পীরি ঃ রবি সঙ্কর প্রসাদ






*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ঃ*
সেন্টরনা ট্রিপল টলাককী ভিক্টিম ওইরিবশিংগীদমক তুংদা লেপ্পি হায়না য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। লুচিংবা অদুনা হায়, লৈবাক অসিনা লাইনিং লিচৎ অমসুং থাজনবী পুন্ণা ইকায় খুম্না চৎলি।

অদুম ওইনমক তোখাই তাহনবগী থৌশিলদি শরুক অদুগী মনুং চন্দে। শোক্লা শম্নবা য়াদবগী চৎনবী লোগী মীৎয়েংদা য়াদে। কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না নুপা–নুপী খাইদোকপগী ৱাফমসু লৈতে। চপ মান্নবা মীৎয়েংদা লৈঙাক অসিনা য়েংলি।

ইন্দিয়াগুম্বা লাইনিং লিচৎতা মীচং মীখাই নাইদবা লৈবাক অসিদা নুপীশিং নুংনাংনিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা হিংলি। প্রসাদনা হায়, লৈঙাক অসিনা ট্রিপল টলাককী ভিক্টিমশিংগী তুংদা লেপ্পি।

সোসিয়েল মেদিয়া কয়াদা ট্রিপল টলাক কন্সটিট্যুসননা অয়াবা পীব্রা হায়বা ৱাহং কয়াসু হংনরক্লি। হায়দ্রবাদতা লৈবী নুপী অমনা হ্বাট এপস ভিদিও অমদা ঙরাং মহাকপু খাইননবগী ৱাফম খঙহল্লকখি। মহাক্কী মপুরোইবগী ইমুং মনুংশিংনা অতোপ্পা অফবা বর অমা ফংবা ওইয়ু হায়না খঙহল্লকখি হায়না পুলিসনা ৱাকৎলকখি।

অসিগুম্বা কেস অসি হায়দ্রবাদতা মশিং খঙদনা থোক্লি। নুপাশিংনা টেক্স মেসেজ, স্পিট পোষ্ট অমসুং ন্যুজ পেপরগী খুখাংদা মহাক্কী নুপী খাইনবগী মওং চখ্খরি। হন্দক্তা সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা ট্রিপল টলাককী চৎনবীনা মুস্লিম নুপীশিংবু সমাজদা লৈবা থাক অমসুং তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং হন্থহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয়দা কন্সটিট্যুসনগী ফন্দামেন্টেল রাইটস ফংবা ঙমদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। বি জে পিগী লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিং – ইরান, ইজিপ, মোরোকো, টুনিসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, অফগানিস্তান, বঙ্গলাদেশ অমসুং পাকিস্তাননচিংবা লৈবাকশিংদা ট্রিপল টলাককী চৎনবী মুত্থৎখ্রে। অদুম ওইনমক ট্রিপল টলাককী চৎনবী লৈবা মুস্লিম লৈবাক কয়াসু লৈরি।

অদুগুম্বা ট্রিপল টলাককী চৎনবী অদুনা সারিয়া লো (পার্সোনেল লো) থুগাইরে হায়না ফোঙদোকখি। লো মিনিষ্টরনা ট্রিপল টলাককী মরমদা হংলকপা ৱাহং কয়াগী পাউখুমদা হায়, ইশু অদু সুপ্রিম কোর্টনা লেপ্লকপা ৱায়েলদা সেন্টরনা লেপকদবনি হায়খি।

# স্কুলশিংনা টেক্স বুক, য়ুনিফোর্ম য়োনবা তোক্কদবনি মখোয় লল্লোল ইতিক তৌবা নত্তে খঙগদবনি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ঃ*
মগুন লৈবা মহৈ মশিং ফংহনগনি হায়রিবা স্কুলশিংনা লল্লোল ইতিক্কী থবক চখ্খরোইদবনি। স্কুলগী মনুংদা য়ুনিফোর্ম, টেক্স বুক নত্রগা ষ্টেসনরি আইটেমশিং য়োনবা তোক্কদবনি হায়না সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসননা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।



সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেসন এদুকেসন (সি বি এস ই)না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা স্কুলগী কেম্পসতা অদুগুম্বা লল্লোল ইতিক্কী থবক চখ্খবা হায়বদু রুল থুগাইবনি। মখোয় বোর্দ অদুদা এফিলিয়েসন তৌরিবনি।

লৈবাক অসিদা লৈবা স্কুল লিশিং ২০ লোম এদুকেসন বোর্দ অদুদা এফিলিয়েট তৌরি। মমা মপা অমসুং মায়কৈ কয়াদগী হিরম অদুগী মতাংদা ৱাকৎলকপা লৈরে। অঙাংশিংনা সি বি এস ইনা অয়াবা পীদবা লাইরিকশিং নমদুনা লৈহল্লি।

এন সি ই আর টিনা রিকমেন্ট তৌবা নত্তবা লাইরিকশিংসু অঙাংশিংদা লৈহল্লি হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাক্লি। সি বি এস ইনা স্কুল মেনেজমেন্টশিংদা খঙহনখিবদা স্কুলশিং অদু মীয়ামগী থৌগল ওইনা থবক তৌগদবনি, করবার ওইনা চখ্খবা য়ারোই। আইনগী মতুং ইন্না লল্লোল ইতিক্কী মওংদা স্কুলশিংদা থবক তৌবা য়ারোই।

স্কুলশিংনা মহৌশাগী ওইদবা থবক থৌওংশিং চখ্খদুনা টেক্স বুক, বোই, ষ্টেসনরি আইটেম, য়ুনিফোর্ম, খোঙউপ, স্কুল বেগনচিংবা য়োনবগী থবক তৌদনবা খঙহনখ্রে।

মদু স্কুলশিংনা মখোয়গী ওইনা হাংবা ভেন্দরশিংদা মখা তানা চখ্খবা য়ারোই হায়না কে শ্রীনিভাসন কৌবা বোর্দকী ওফিস ইন চার্জনা ফোঙদোরক্লি। বোর্দনা স্কুলশিংদা অদুগুম্বা থৌওংশিং চখ্খদনবা ৱার্নিং তৌখিবা হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। অদুম ওইনমক মখোয়না অদুমক চখ্খদুনা লৈরি।

সি বি এস ইনা মখা তানা হায়, খঙহল্লিবা ৱাফম অসি মখা তানা চখ্খদুনা লৈরে হায়বা ৱাকৎ লাক্লবদি এফিলিয়েসন কক্কনি হায়রি।

# ইন্দিয়ান নেভিনা লৈমায়দা এটেক্ট তৌবা ঙম্বা ব্রহমোস মিসাইল বে ওফ বেঙ্গলদগী মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ঃ*
কংফালগী লমদমদা এটেক্ট তৌবা ঙম্বা ব্রহমোস সুপর সোনিক ক্রুইজ মিসাইল ঙসি ইন্দিয়ান নেভিনা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে। নেভিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা চাংয়েং অদু চপ চানা টার্গেটতা পানবা ঙমখি।



বে ওফ বেঙ্গলগী ঈশিংগী শরুক্তা লৈবা জহাজ অমদগী মায় পাক্লা চাংয়েং অদু পাঙথোকখি হায়রি। লৈমায়দা এটেক্ট নিংথিনা চখ্খবা ঙম্বা ব্রহমোস সুপর সোনিক ক্রুইজ মিসাইল অদু ইন্দিয়ান নেভিগী ষ্টিল ফ্রিগেদতগী কাপ্পুনা চাংয়েং তৌবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

সমুদ্রদগী লৈমায়দা টার্গেট তৌদুনা মিসাইল অদু চাংয়েং তৌখিনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা এন্টি সিপ ভর্সন ব্রহমোস মিসাইল ইন্দিয়ান নেভিনা কাপ্পুনা চাংয়েং তৌবা ঙম্লে। মায় পাক্লা চাংয়েং তৌবা ঙমখিবা অদুনা মালেমগী ওইবা অদুগুম্বা খুৎলায় শীজিন্নবা ঙম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা চলহল্লে। লৈমায়দা এটেক্ট তৌবা ঙম্বা ব্রহমোস মিসাইল মখল অমসু ইন্দিয়ান আর্মিনা ইং ২০০৭তা চাংয়েং তৌখ্রে।

ব্রহমোস মিসাইল মার্গ ২.৮কী অয়াংবা য়ৌনা পায়বা ঙম্বা অমসুং কিলোমিটর ২৯০ শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল অমনি। মিসাইল অদু কংফাল, সমুদ্র অমসুং সব–সি পেদতগী কাপ্পুনা টার্গেটতা পালহনবা ঙম্বা মিসাইল অমা ওইরে।

ব্রহমোস মিসাইল ইন্দিয়া অমসুং রিসিয়ানা পুন্না শেমগৎপা সুপর সোনিক ক্রুইজ মিসাইল অমনি। মিসাইল অদু ইং ২০০৫দা ইন্দিয়ান নেভিদা অহানবা ওইনা ইন্দক তৌখি হায়রি।

ইন্দিয়ানা কিলোমিটর ৪৫০ অমসুং কিলোমিটর ৮০০ শান্না কাপ্পা য়াবা অমদি নোংথক্তগী কাপ্পা য়াবা ব্রহমোস মিসাইল শেমগৎলে। মিসাইল অদু সুকোই–৩০ জেটতা হাপ্পা য়াননবা থাক্তসু শেমগৎলগনি হায়রি।

# ইলেক্ট্রিক্ট পোষ্টতা থোমজিনবদা ১৩ শীরে, ১৫ শোক্লে

*টিরুপটি, এপ্রিল ২১ঃ*
টিরুপটিদগী কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্লা লৈবা য়েরপেদিংদা লোরি অমনা ইলেক্ট্রিক্ট পোষ্ট অমদা থোমজিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শীরে, অদুগা ১৫না শোক্লে। লোরি অদুনা শ্রীকালাহাষ্টি হায়ৱেদা লৈবা পোষ্ট অমদা থেংজিল্লবা মতুং দুকান অমদা থেংজিনখি।

থৌদোক অদু য়েরপেদু পুলিস ষ্টেসন মমাঙ মক্তদা থোকখিবনি। লোরি অদু শ্রীকালাহাষ্টিদগী টিরুপটি তম্না লাকপদা কন্ট্রোল ঙমদবদগী ইলেক্ট্রিক্ট পোষ্ট অমদা অহানবা ওইনা থোমজিনখি। মদুনা মরম ওইরগা পোল অদু তুথরকখি।

মৈ চৎলিবা ৱেয়রশিং অদু তাশিল্লকপগা লোয়ননা মীওই কয়া ইলেক্ট্রিক্টনা চীংখি। তুংদা গারী অদুনা মনাক নকপদা লৈবা দুকান অমদা থোমজিনখি। মদুদা মীওই ৬ মফম অদুমক্তদা শীহনখি হায়রি।

থৌদোক অদুদা খুদোংথিবা নংখ্রবা মীওই কয়ানা পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎপা লাকখি। মীওইশিং অদু শ্রীকালাহাষ্টিদগী কিলোমিটর ২৫ রোম চৎলগা লৈবা মুনাগালাপালেমদা লৈবা মীওইশিংনি হায়রি।

টিরুপটি, শ্রীকালাহাষ্টি অমসুং ভেঙ্কটাগীরি লম্বী শম্নফম ওইরিবা মফম অদুদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখি। খুদোংথিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লম্বী অদুদা লাকপা গারী কয়া মায়কৈ থৈদুনা চৎহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাং নোংপোক্তা অকনবা নোং চুগনি হায়না ৱার্নিং তৌরক্লি

*গুৱাহাটি, এপ্রিল ২১ঃ*
অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ব্রজ য়াওবা অকনবা নোং চুখিগনি। লোয়ননা ত্রিপুরা অমসুং মেঘলায়দা অকনবা নোং চুবা য়াই হায়রি।

রিজনেল মেটেরোলোজিকেল সেন্টরগী ঈশিং নুংশিৎকী লমদা নৈনবা কাংবুনা ফোঙদোরকখিবদা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং মরু ওইনা অরুনাচল প্রদেশতা মথংগী নুমিৎ ৫নি ফাওবা ব্রজ য়াওবা অকনবা নোং চুবা য়াই হায়রি।

ব্রজ য়াওবা অকনবা নোং অদু অসাম, মেঘলায়া, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদসু মথংগী পুং ২৪ ফাওবা চুবা য়াই হায়রি।

অসাম, মেঘলায়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরানচিংবা ষ্টেটশিংদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। অখন্ননা নাগালেন্দ, মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাদা মথংগী পুং ২৪ ফাওবা অকনবা নোং চুবা য়াই হায়রি।

# মাজুলিগী নুপী মচা অমা পিন য়োৎশিনখিবদগী লায়কন্নখ্রে

*জোরহাট, এপ্রিল ২১ঃ*
মাজুলিদা লৈবা চহী ১৫ রোম শুরবী নুপী মচা অমা শোইবদগী সেফটি পিন য়োৎশিনবগা লোয়ননা জোরহাট মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে।

নুপী মচা অদুনা মহাক্কী মনাওনুপী অমা স্কুল দ্রেস শেৎপদা মতেং পাংখি। মদুদা মহাক্না শোইবদগী পিন অদু য়োৎশিনখিবনি হায়রি।

জোরহাট মেদিকেল কজেল হোস্পিটালগী সুপরিন্টদেন্ট শৌরফ বোরকোটোকিনা ফোঙদোরকখিবদা নুপী মচা অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পুখৎলকখিবনি। ফিভম অদু কুপ্না য়েংশিন্দুনা সর্জিকেল ৱার্দতা থল্লি। এক্স–রে রিপোর্ট মতুং ইন্না পিন অদু ফুট পাইপতা লৈরি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

# পাকিস্তান ওপোজিসননা প্রাইম মিনিষ্টর ফম থাদোক্লবা খোঙজং চংশিনখ্রে



*ইস্লামবাদ, এপ্রিল ২১ঃ*
পাকিস্তান ওপোজিসন পার্টিনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ ফম থাদোক্লবা অকনবা খোঙজং চংশিনখ্রে। প্রাইম অদুগী মথক্তা থিজিনবগী থবক চখ্খরিঙৈ চৈরক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর অদু ফম থাদোকফম থোকই হায়না অকনবা দিমান তৌখি।

ওপোজিসন লুচিংবা ইমরান খাননা হায়, নৱাজ সরিফ ফম থাদোক্লবা দিমান তৌবগী খোঙজং অদুদা মহাক্লা লুচিংগনি। হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর অদুগী মথক্তা থিগৎপগী থবক চখ্খরিবনি।

মোলেগী ওইবা ৱাখল্লোল মাংলবা প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা হৌজিক ফাওবা ওফিস পায়দুনা লৈবা য়ারোই। সুপ্রিম কোর্টনা শগোলশেন নুমিৎতা মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংলবদি সরিফ লৌথোক্কনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

কোর্ট অদুনা মখা তানা শেঙ্গা–থুমাজগী কেস অদুগা মরী লৈননা থিগৎনবা খঙহনখ্রবনি। পানমা পেপর লিক হায়না খঙনরবা শেঙ্গা–থুমজাগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর অদুগী মথক্তা গিৎপগী থবক চখ্খরিবনি। মরম অদুনা মহাক ফম অদুদগী থাদোক্কদবনি হায়না অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি।

লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসনা পার্টিনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকপগা লোয়ননা স্পিকর মীফম অদু সসেপন্দ তৌখি। ইমরান খাননা হায়, মহাক কেস অদুগী ৱাকৎ ওইরিবা মীওই অমনি। হৌখিবা থা ৪দগী হৌনা কেস অদু ৱায়েৎ চখ্খদুনা লাকখিবনি।

হিরম অদুগী মতাংদা মহাক্লা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংবা য়াহনগদবনি হায়না হান্নগী ক্রিকেট শান্নরোই ইমরান খাননা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি। সুপ্রিম কোর্টনা লমাই ৫৪৯ পানবা ৱায়েল অমা থোক্তুনা হিরম অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা খঙহনখি। লোয়ননা মহাক্কী মচাশিংনা লন্দনদা লৈবা ওফসোর কম্পেনি চল্লাইবগী মতাংদসু মরাল শীরকপা লৈরে হায়রি।

থিজিন হুমজিনবা কাংবুনা থা ২ মপুং ফানা থিগৎপগী থবক চখ্খব্রবনি। স্পিসিয়েল বেঞ্চ অদুনা এক্সন লৌখৎপগী মওংদা লেপকনি হায়না কোর্ট অদুনা ফোঙদোকখ্রবনি হায়রি।

# মিনি বস–ট্রক থেংজিন্নবদা মহৈরোই ২০ শীরে

*জোনেসবর্গ, এপ্রিল ২১ঃ*
সাউথ অফ্রিকাগী কোনুং ব্রেটোরিয়াদা ঙসি মহৈরোই পুবা বস অমগা মায়োক্নুনা লাকপা ট্রক অমগা থেংজিন্নবদা য়ামদ্রবদা মহৈরোই ২০ শীখ্রে হায়না ইম্মর্জেন্সি সার্ভিস অমসুং পেরামেদিক ত্রিটমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

মিনি বস অসুং ট্রক অদু ব্রোনখোরষ্টাস্পুইট অমসুং ভেরেনাগী মরক্তা থেংজিন্নখিবনি। হায়রিবা মফম অদু লৈবাক অদুগী কোনুং প্রেটোরিয়াদগী কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্লা লৈবা মফমনি হায়রি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা অঙাং ২০ শীখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়না ই আর ২৪ ইম্মর্জেন্সি মেদিক সার্ভিসকী ৱাঙাংলোই রুসেল মৈরিংনা ফোঙদোরক্লি। পেরামেদিক টিম অদুনা মফম অদুদা থুংলবদা হান্ননা ফাইয়র সার্ভিসতি লৈরম্লে।

ফাইয়র সার্ভিসনা মৈ চাক্লিবা গারীশিং অদু মুত্থৎনবা হোৎনরমখি। অদুগা শোক্লবা অমসুং অশিবা হকচাংশিং অদু মতাইদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

অঙাং কয়া বস অদুগী মনুংদা লৌথোকপা ঙমদনা লৈখি। অশোকপশিংগী মনুংদা অয়াম্বা মীওইশিংদি শীরে হায়না লাউথোকখ্রে। থৌদোক অদুদা মহৈরোই অঙাং কয়া অশোক অপন নংখি।

অতেক অকায় নংলবা বস অদুদগী লমদম অদুগী মীয়াম্না অঙাং কয়া লৌথোকখি। শোক্লবা অঙাংশিং অদু লাইফ সপোর্ট পীদুনা লায়কন্নখি। লোয়ননা গারী কয়া শীজিন্নদুনা হোস্পিটালদা লায়কন্ননা পুখি হায়না ফোঙদোরক্লি। থেংজিন্নখিবা অদুগী চপ চাবা মরম হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# হেপটাইটিস বি অমসুং সিনা মীওই মিল্লিয়ন ৩২৫ শোকহল্লে

*জিনেভা, এপ্রিল ২১ঃ*
মালেমগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ৩২৫ হেপটাইটিস বি অমসুং সিগা লোয়ননা হিংলি। ভাইরসনা থোকহনবা লায়না অদুনা শীবা মীগী মশিং হেনগৎলক্লি হায়না য়ুএননা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী অনৌবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না লায়না অসিনা মীওইবগী হক–শেলদা খ্বাইদগী চাওনা শীংনবা অমসুং মীশি মীনা থোকহনবা মখল অমা ওইরি। মদুগীদমক অখন্নবা থবক পায়খৎপা তঙাইফদে।

ইং ২০১৫দা হেপটাইটিসনা মালেমগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ১.৩৪ শীহনখি। মদু ঐচ আই ভি অমসুং টি বিনা শীহনবা মীগী মশিংগা মান্নবা থাক্তা লৈরি। ঐচ আই ভি অমসুং টি বি অমদি হেপটাইটিসনা মী শীহনবগী চাংহেনগৎলক্লি। ইং ২০০২দগী ইং ২০১৪ ফাওবদা মী শীহনবগী চাংচাদ ২২ হেনগৎলে হায়রি।

# কেরোসিন দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর মৈ চাকপদা ১৫ শীরে

*চিন্দৱার, এপ্রিল ২১ঃ*
মৈধ্যপ্রদেশকী চিন্দৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হরাই খুঙ্গংদা লৈবা কেরোসিন দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শীরে। অদুগা মীওই কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম থোকখিবা চাওনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু লাকশিনবা ঙম্লে হায়না ফাইয়র দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি। অহানবা ওইনা থিগৎপদা ফংখিবা পাউগী মতুং ইন্না পি দি এসনা পোৎলম কয়া মীয়ামদা য়েন্থোক্লবগীদমক মফম অদুদা পৈশিন্দুনা থল্লিঙৈ চৈরক্তা মৈ অদু হৌরকখিবনি।

মৈ অদু থুনা মায়কৈ খুদিংমক্তা শন্দোরকখি। মফম অদুদগী মৈনা চাকথেক্লবা হকচাং কয়া ফংবা ঙম্লে। চৈরকসিদা মৈধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা এক্স গ্রেসিয়া ওইনা লুপা লাক্ষ ৪–৪ পীরগনি। অদুগা কাহেন্না শোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

# নুমিৎ ১১নি খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়োন্থোক্লক্লে

*অগরটলা, এপ্রিল ২১ঃ*
পোকপা নুমিৎ ১১নি খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা মচা লৈজদবা মতৈ–মনাও অমদা য়োন্থোক্লম্লে। চাইল্ড লাইননা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা য়োন্থোক্লম্লবা অঙাং অদু কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

অঙাং অদু লৈঙাক্কী মতম খরগী ওইবা হোমদা থল্লি। নুপী অমনা মহাক্কী পোকপা কুইদ্রিবা মচানুপা অদু মচা লৈজদবা মতৈ মনাও অমদা য়োন্থোক্লমখি। নুপী অদুনা মহাক্লা অঙাং পীরিবা মীওইশিং অদু রঙ্গিয়া টিলাদা লৈবা মহাক্কী মরী মতানি হায়না ফোঙদোক্লি।

খুঙ্গং অদু খোৱাই দিষ্ট্রিক্টকী ত্রাইবেলশিংনা নম্মা খুন্দাবা মফমনি। নুপী অদুনা মহাক্কী নাদুনা লৈরিবা মপুরোইবা অমসুং মচাগী শেনফম পুবা ঙমদবদগী অঙাং অদু য়োন্থোক্লম্বা ওইগনি হায়রি।

পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না মরী মতা থোকপা মীওই অমনা অঙাং অদু য়োন্থোকখিনবা ৱাফম পুখৎলকপদা নুপী অদুনা য়াখি। চাইল্ড লাইনগী টিম অমনা অগরটলাগী রঙ্গিয়া টিলাদা চৎতুনা ঙরাং নুমিদাং য়োন্থোক্লম্লবা অঙাং নুপা মচা অদু কনখিবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না অঙাং অদুগী অপোকপী মমানা মহাক্কী মপুরোইবা হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা মীওই অদুগী চাদিং পুবা ঙমদবদগী অঙাং অদু য়োন্থোকখিবনি হায়খি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমত্তা রেজিষ্টার তৌরকপা লৈত্রি হায়রি।

GAS TODAY

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......24/02/2017
Valid from ........... 14/02/2017
Stk .................................306
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
Booking upto .......07/02/2017
Valid from ........... 21/01/2017
Sl. No. Upto 2000035433
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto .......03/02/2017
Valid from ........... 12/01/2017
Stk .............850 DNSC (CTC)
Timing........7.30 to 12.00 a.m

**R & H INDANE**
Booking upto .......07/02/2017
Valid from ........... 22/01/2017
Stk .................................612
Timing........8.00 to 11.00 a.m

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......31/01/2017
Valid from ........... 26/01/2017
Stk 14kg..........................306
Rate ............................. 884
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**MM GAS**
Booking upto .......15/02/2017
Valid from ........... 11/02/2017
Stk ......................468 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......11/02/2017
Valid from ........... 08/02/2017
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......07/03/2017
Sl. No. Upto ............... 56830
Valid from ........... 13/02/2017
Stk .................................306
First Come First Serve

**RBD INDANE SERVICE**
Booking upto .......24/02/2017
Valid from ........... 16/02/2017
Stk .................................612
Timing........6.00 to 10.00 a.m

**LAMBODARA INDANE SERVICE**
Booking upto .......02/03/2017
Valid from ........... 27/02/2017
Stk .................................270
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**LAMSHANG GAS**
Booking upto .......31/01/2017
Valid from ........... 17/01/2017
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 a.m
Submit Aadhar Card

*সনা–সুদোকু– ৮৩৯ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 3 | 1 | 5 | 9 | 6 | 4 | 8 |
| 6 | 1 | 8 | 4 | 3 | 2 | 9 | 5 | 7 |
| 5 | 9 | 4 | 7 | 8 | 6 | 2 | 3 | 1 |
| 9 | 6 | 7 | 5 | 2 | 3 | 8 | 1 | 4 |
| 8 | 2 | 5 | 6 | 4 | 1 | 3 | 7 | 9 |
| 3 | 4 | 1 | 8 | 9 | 7 | 5 | 2 | 6 |
| 1 | 5 | 9 | 3 | 6 | 4 | 7 | 8 | 2 |
| 4 | 8 | 6 | 2 | 7 | 5 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 3 | 2 | 9 | 1 | 8 | 4 | 6 | 5 |

ꯔꯨꯞꯃꯍꯜ ꯊꯤꯌꯦꯇꯔ
RUPMAHAL THEATRE
থাংজ, তাং ২২।০৪।২০১৭ ইং
নুংথিল পুং ৪.০০
অনৌবা খুদোল
"ইফুৎ"
আইবা ঃ সুরজিৎ অচোম দাইরেক্টর ঃ বিশ্বামিত্র
SL/2030/22

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-840**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | 5 | | | | | | |
| | | | 4 | | | 9 | | |
| | 1 | | | 3 | | | 8 | 4 |
| | 6 | | | | | | | 7 |
| 3 | | | 9 | | | | | 8 |
| | | | 8 | | 6 | 4 | | |
| 8 | | 9 | 3 | | | | | |
| | | 4 | | 7 | | | | 9 |
| 2 | | | | 1 | 9 | | | 3 |